# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ তাইমরেঙ

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



মণিপুরদা হৌবা উজাও পান্বী অদুবু হীদাক ওইনসু শীজিন্নবা পান্বীশিংগী মরক্তা তাইমরেঙ হায়রিবা পান্বী অসিসু অমনি। তাইমরেঙ হায়রিবা উ পান্বী অসি ইংলিসতা ইন্দিয়ান রীদ ৱুদ (Indian Reedwood) নৎত্রগা চীতাগোং ৱুদ (Chittagong wood) নৎত্রগা বাসটার্দ সেদার (Bastard Cedar) নৎত্রগা ইষ্ট-ইন্দিয়ান মেহোগেনি (East Indian Mahogany) নৎত্রগা বর্মা অলমোন্দ ৱুদ (Burma almond wood), হিন্দিদা চিকরাসী (Chikrasi), টামিলদা মেলি ভেপু (Malei veppu), অসামিজদা বোগা পোমা (Boga poma), শিনহালিদা হরিকিতা (Harikita), ভিয়েটনামিজদা লাত হুৱা (Lat hoa), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *চুক্রাসিয়া তেবুলারিস (Chukrasia tabularis A. Juss.)* নৎত্রগা চুক্রাসিয়া চিক্রাসা *(Chukrasia chickrassa (Roxb.) J. Schultze-Motel)* নৎত্রগা *চুক্রাসিয়া ভেলুতিনা (Chukrasia velutina (M. Roem) C.DC.)* নৎত্রগা *চিক্রাসিয়া নিমোনি (Chickrassia nimmonii Graham ex.Wight)* নৎত্রগা *চুক্রাসিয়া তেবুলারিস (Chickrassia tabularis Wight & Arn)* নৎত্রগা *দাইসোজাইলম ইসকুইরোলি (Dysoxylum esquirolii H. Lev)* হায়না কৌই অমসুং তাইরেল পান্বীগী (Toona ciliata M. Roem) অমসুং শৈজ্রাক পান্বীগী (Melia azedarach Linn.) শাগৈ হায়বদি মেলিয়েসী (Meliaceae) দা চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা পান্বী খরা হায়রবদি নিম পান্বী (Azadirachta indica A. Juss.) অমসুং হৈরাংগোই পান্বী (Aphanamixis polystachya (Wallich) R.N. Parker) অসিনচিংবনি।

তাইমরেঙ পান্বী অসি ময়ায় ওইরপতগীনা য়াম্না চাউবা ফুট ১২০ ফাওবা ৱাংবা উ পান্বী অমনি। পান্বী অসি মনা য়াম্না কেনগনবা (দেসিদুঅস) নৎত্রগা করিগুম্বা কান্দা মতম পুম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা (ইভগ্রীন) মনা য়াম্না পুঙবা পান্বীনি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না তাইমরেঙ পান্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরুওইনা ইন্দিয়া, চাইনা, বংলাদেশ, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, মলেসিয়া, ইন্দোনেসিয়া, লাওস, কম্বোদিয়া, ভিয়েটনামগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। তাইমরেঙ পান্বী অসি ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা মহৌশাগী ওইনা উমং অয়াম্বদা হৌই হায়না বোটানিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়ানা ইবা ফ্লোরা ওফ মণিপুরদা পাউদমলি। খরা হেন্না শারপ তৌবা, খরা নেমতক তৌবা ত্রোপিকেলগী মফমশিং মরুওইনা সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ৩০০দগী ৮০০ ফাওবা ৱাংবা মফমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না তাইমরেঙ পান্বীগী মনাদা য়াওবা মরুওইবা কেমিকেল কম্পাউন্দশিং অদুদি Quercetin, Galloyl glucoside, Tannic acid and Flavone অসিনচিংবনি। Sitosterol, Melianone, Scopoletin, Tetranorterpenes অমসুং Tabularin অসি তাইমরেঙ পান্বীগী উগী মকুদা য়াওবগী পাউদমশিং লৈ। তাইমরেঙ পান্বীগী উদা য়াওবা মরুওইবা কম্পাউন্দশিং অদুদি - Chukrasins A,B,C,D অমসুং F অসিনি। Tetranorterpenes, Phragmalin esters অসি তাইমরেঙ পান্বীগী মরূদা য়াওবগী মথক্তা অনৌবা Meliancin esters 8 য়াওবগী পাউদমশিং লৈ।

তাইমরেঙ পান্বী অসি মীওইবনা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। মহৈ-মরোং কয়ামরুম থাবদা উরুম পীনবগীদমক্তা থাম্মৈ। ইন্দিয়াগী মফম কয়ামরুমদা কোফি পান্বী থাবদা উরুম পীনবগীদমক্তা তাইমরেঙ পান্বী অসি এগ্রোফোরেষ্ট্রি পান্বী ওইনা থানৈ। তাইমরেঙ পান্বীগী উ অসি মহুৎ কূপ্পা (Fine grain) অমসুং য়াম্না কনবা মরম্না মখল-মখা কয়াগী উগী পোৎথোকশিং, য়ূম-কৈ অমদি থোঙ শাবদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নৈ।

পাউদম অমগী মতুংইন্না ভিয়েটনামদদি তাইবরেঙ পান্বী অসি উগী পোত্থোকশিং শানবগীদমক্তা পাক শন্না য়ান্থৎখিবদগী ঙসিদি পান্বী অসি য়াম্না খুদোংথীরবা কাঙলূপ (Critically endangered) তা চনখরে। অদুম ওইনমক মালেম অপূনবগী ওইনা য়েংবদদি খুদোংথীবা কাঙলূপ অমত্তদা চন্দ্রি হায়না IUCN Red list of Threatened Species কী পাউদমদা ফোঙদোক্লি।



তাইমরেঙ পান্বীগী উদগী মখোম হায়বদি গম অমা থোকই অমসুং হায়রিবা গম অসি অতোপ্পা গম খরগা য়ানশিন্নরগা য়াম্না ফবা মখলগী গম অমা শেম্নৈ অমসুং হায়রিবা গম অসি মালেমগী কৈথেলশিংদা লৈবা-য়োনবা তৌনৈ।

পাউদম অমগী মতুংইন্না তাইমরেঙ পান্বীগী লৈ (মপাল) অসিদগী অঙাংবা অমসুং হঙ্গাম মপালগী মচু অমা শেম্নৈ অমসুং মসি লং, ফি অমসুং মখল কয়াগী পোৎথোকশিং মচু শংবদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নৈ। খা থংবা চাইনাগী মফমশিংদদি মনা-মশিংদা তোয়না তোংগনবা/তাগনবা পীরিস রাপী (Pieris rapae) হায়রিবা কেবেজ বট্টরফ্লাই (Cabbage butterfly) অসি তাইমরেঙ পান্বীগী উশাদগী থোকপা মহী অদুনা মপূং ফানা ঙাকথোকপদা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। অতোপ্পা পাউদমগী মতুংইন্না তাইমরেঙ পান্বীগী মরাদা য়াওবা Tabulalin অমসুং Tabulalides কম্পাউন্দশিং অসিনা স্পোদোপতেরা (Spodoptera) হায়রিবা তীল কাঙলূপশিং অসি মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙম্মী। তাইমরেঙ পান্বীগী অনৌবা মহৈ অদু চাবা য়াবগী পাউদমসু লৈ। তাইমরেঙগী উ অসি নোংমৈগী মখোক অমসুং প্লাই ৱুদ শাবদসু য়াম্না খুদোং চাই।

তাইমরেঙ পান্বী অসি মীওইবনা অনা-লায়েং মখল খরদা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। অয়ুর্বেদিক্কী অনা-লায়েংদা তাইমরেঙ পান্বী অসি পাক-শন্না শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না তাইমরেঙ পান্বীগী উগী মকু অদু মীওইবগী তোংশাশিং মপূং ফানা ফাজিনবা ঙম্মী। উগী মকুদগী লৌবা মহী অদু খোং হামথবা অমসুং অরুম-লাইহৌ তৌবদা পীথক্তুনা লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। অঙাংশিংনা অরুম-লাইহৌ তৌবদা তাইমরেঙ পান্বীগী উগী মকু শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু লাইবক্তা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংবা য়াই।

পাউদম অমগী মতুংইন্না তাইমরেঙ পান্বীগী মনা অসি মলেরিয়া (Malaria) লায়না অসিদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবদা থোইদোক-হেন্দোকপা মগুন উৎপা ঙম্মী। তাইমরেঙ পান্বীগী মনাদা ইসেন্সিয়ল ওইল (Essential Oil) হায়বা থাউ মখল অমা য়াওই অমসুং হায়রিবা থাউ অসি বেক্টিরিয়া মহীক-মতাং অমসুং কোকফায় শুজা মখল কয়ামরুম ঙাকথোকপা ঙম্বগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা থাউ অসিদা য়াওরিবা মরুওইবা মচাকশিং - কার্ভাক্রোল (Carvacrol), থাইমোল (Thymol), বোর্নিওল (Borneol), মাইরিসতিসিন (Myristicin), সেসকুইটর্পিন হাইড্রোকার্বোন (Sesquiterpene hydrocarbon) অমসুং মোনোটর্পিন হাইড্রোকার্বোন (Monoterpene hydrocarbon) অসিনা মরম ওইদুনা তীল-কাংশিং অদু হাৎপা ঙম্বনি। তাইমরেঙ পান্বীদগী লৌবা থাউ অসি মহৈ-মরোংদা তাবা তীল, মহীক-মতাং হাৎননবগী বাইওপেসটিসাইদ (Biopesticide) ওইনা শীজিন্নৈ।




খঙজিনবা য়াবদি তাইমরেঙ পান্বী অসি থাইলেন্দগী ফ্রে (Phrae) প্রোভিন্স হায়বদি ষ্টেট (State) কী পান্বী (Provincial tree) অমসুং লৈ (Provincial flower) ওইনা শক খঙলিবনি। মফম অদুদা পান্বী অসি স্কুল, কোলেজ, ওফিস অমসুং মীয়ামগী ওইবা পার্কশিং অমসুং পান্বীগী মতাইদা এভেন্যু ত্রী (Avenue tree) অমা ওইনা থানৈ। ●

---

# কেলেন্দরদা চমম্নরকপা

**- কাংজম হেমন্ত -**

হৌখিবা খঙহৌদে মতম মাগী খোঙচৎ, ঙরাংতবু ওইরবোই নীংই মমাঙ চহীগী নিংঙোল চাক্কৌখিবদো। লাক্লে ঙসিদি অমুক নিংথৌরোল হাক্তক্তগী পাঙথোক্তুনা লাক্লবা মৈতৈ/মীতৈশিংগগী ওইবা খ্বাইদগী চাউবা ফেষ্টিবেল হন্দক চহীগী নিংঙোল চাক্কৌবা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা কুইশিল্লক্ত্রে। থৌরম অসি মহৌশাদগী তোঙানবা মওং অমদা হেন্না পাকথোক চাউথোরক্তুনা য়ুম্নাক শাগৈ ওনখ্রবী মচে-মচলশিংনা মপাম লমদমদা লাক্তুনা পাঙথোক্লিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী লন্নাই লূপশিংনা শীন্দুনা চীংমী নিংঙোলশিংবু চাক্কৌবগী থৌরমসু পাঙথোক্লরক্লি। নাৎ-চৎনবীখক্কী নত্তনা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অমগা অমগা নুংশিনবগী মরী শাগৎনবা অমদি হেন্না চেৎশিনহন্নবা পান্দমদা পাঙথোক্লিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম নুমিৎ অসি হন্দক চহীগী ওইনদি অনী থোকপা মানবা, করম্বা নুমিৎনা অচুম্বনো খঙদবা থৌওং অমা হোৎনরকপা অসিদি লাইবক থীবনি। মসিদি অচুম্বা খোঙথাং অমা নত্তে হায়জনীংই।

অনী থোকহল্লিবা অসিগী মরম্না থবান্দা খেন্নরকপদগীনি। মৈতৈ/মীতৈশিংগী থবানগী মচৎকী কেলেন্দর ফোঙবিরিবশিংনা মান্নদনা ফোঙবসি চহী খুদিংগী অদুমক থোক্তবা নত্তে। মমাঙ ওগষ্ট থাগী কৃষ্ণ জন্মগী নুমিত্তসু অনী থোকপা লৈখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) নসু মখোয়গী ওইবা চহী খুদিংগী ৱাল কেলেন্দর পুথোক্লি। দি আই পি আরগী ৱাল কেলেন্দরনা নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎ অসি কুমজা ২০১৯গী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা অসি ওক্টোবর ৩০দা থোক্লে হায়না ফোঙলে। হায়রিবা কেলেন্দর অসি লৈঙাক্কী লোইশঙশিংগী কা, লন্নাই ইন্সটিট্যুসনশিংদা মকা লাম্না থেৎপা থেংনরি অমদি লন্নাই য়ুমশিংদসু থেৎনবা য়াওনরি। অতোপ্পা মৈতৈশিংগী কেলেন্দরশিংদনা ওক্টোবর ২৯দা হিয়াঙ্গৈগী ১/২ পানশিন্দুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী নুমিৎনি হায়রি। করম্বনা অচুম্বা নুমিৎ ওইগদবনো হায়বসি মীয়ামদা চমম্নবা অমা পোকহল্লি।

অসিগুম্বা ঐখোয়গী ওইবা অচৌবা ফেষ্টিবেল অমা ওইরিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি অনী থোকপা মানবা থৌওং অসিগী মতাংদদি নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি লাক্লিবা ওক্টোবর ৩০ য়ূমশকৈশা নুমিৎ অসি হিয়াঙ্গৈগী ৩নি পানবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসিদা নিংঙোল চাক্কৌবা তাদে, মরমদি লাক্লিবা ওক্টোবর ২৯ অসি হিয়াঙ্গৈগী ১/২ নি পূন্না পাল্লি। অদুবু ওক্টোবর ২৯দা পাল্লিবা হিয়াঙ্গৈগী ১ পানবা থবান অসিদি ইম্ফালগী কংলাদা য়ূন্ফম ওইরগা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৬.১৩:০১দা লোইরে, অদুনা চৈচৎ ২৯ লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসিগী অঙনবা মতম অসি হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা থবান ওইরবনিনা চহী অসিগী নিংঙোল চাক্কৌবা পাঙথোকপা য়ারে। অদুনা নিংঙোলশিংসু মপামদা চঙবা য়ারে হায়দুনা *কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দ*না মসিনা অচুম্বা সাইন্টিফিক ওইবা কেলেন্দরগী মচাক্কী ওইবা মশাগী তাজবা নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎনি হায়না পাউচেগী খূথাংদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

মীয়ামগী য়েংলগা শেংদোক ৱারোল অমা ফোঙদোকপীরক্লিবা অসিমদি অফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু লুরিবদি শেংদোক ৱারোল অসি থাজদবগী ৱাফম নত্তবীদা মীয়ামদদি চমম্নবা অমদি শোয়দনা লৈগনি হায়না খনজৈ। মরমদি দি আই পি আরনা ফোঙলিবা কেলেন্দর অসিগা মান্নদ্রে, অতৈ কেলেন্দরশিংগীসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি শেংদোক ৱারোল অমত্তা ওক্টোবর ২৯ অসি অশেংবা নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎনি হায়না হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ফোঙদোকপীরকপা লৈত্রি। অদুনা নিংঙোল ওইবীশিংগী মফমদসু নোংমবু পাল্লমগদ্রা, নীনিবু পাল্লমগদ্রা হায়না চমম্নবা অমদি নীংজিং-মাংজিংনবা অমদি শোয়দনা লৈগনি হায়না খঞ্জৈ। মরম অসিনা লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী কেলেন্দর ফোঙবীরিবশিংনা (দি আই পি আর য়াওনা) মীয়ামগী চমম্নবা অসি কোক্লবগীদমক অশেংবা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা অশেংবা নিংঙোল চাক্কৌবগী নুমিৎ অসি লেপথোকপীয়ু। অদুগা অমুক্কসু লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২০গী কেলেন্দরদসু নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎ অসি অমুক হন্না ১/২নি পানবদৌনা তৌরি।

মমাঙঙৈ ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা ইশাগী লাইনীং-লাইশোন, নাৎ চৎনবীশিং লিক্লম কায়দনা ঙাক্লা চৎলম্বনা অনী থোকপগী চৎনবীসি তারমদে। নোংচুপলোমগী লাইনীং-লাইশোন নমদুনা শন্দোকখিবদগী লমদম অসিদা অনী থোকপগী চৎনবীনা হৌজিক্কী মীরোলদা চমম্নবা অসি পোকহল্লিবনি। তুংগী মীরোলশিংদা চমম্নবা অসি লাক্কদৌরিবা চহীশিং অসিদদি কমদৌনা থোকহল্লোইদগে হায়বসি লমদম অসিগী অখঙ অহৈশিং, কেলেন্দর ফোঙবীরিবশিং (দি আই পি আর য়াওনা) অমদি থাপা লোন্দা হকচিন্না থাজনরিবশিং অসিনা মাগী মাগী ওইবা অনীংবা অপান্বশিং অদু থাদোক্লবিরগা মতম লৈরিঙৈদা কোক চুংশিন্নবীদুনা য়াম্না একাদেমিক ওইবা মওংদা পূন্না থবক পায়খৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়জনীংই।

মালেমগী ওইনা য়েৎনবা লৈতনা চৎনরক্লিবা থপালোন হায়বা তারগদি গ্রেগোরিয়ন কেলেন্দর অসিনি। মসিদা য়ূন্ফম ওইরগা লেপ্পা মালেমগী ওইনা পাঙথোকপা থৌরম কয়া অমা লৈরি। হায়রিবশিং অসিদদি হৌজিক ফাওবদা অকায়বা নৎত্রগা য়েৎনবা অমত্তা লৈত্রি হায়বা য়াই।

অরোইবদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি, মরুওইবা লাইনীং অমদি লমদমসিগী অচৌবা ফেষ্টিবেল অমা ওইরিবা নিংঙোল চাক্কৌবা হিয়াঙ্গৈ থাগী কল্লবা ঈচেলগা লোয়ননা চেন্থরক্লিবা নুংশি ঈচেল মরক্তা মচে-মচল ওইবী কয়ানা মপাম লমদম লমনুংশি পাংনা মবুং মৌপ্পাশিংবু নুংশিবগী লুরবা নুংশি ঈচেল পুরদুনা লাক্কদৌবা নুমিৎসিদা অনীরক পাঙথোকপা হায়বসি ফজবা ৱাৎলি, লমদমসিগী ওইনা লেমজনীংঙাই লৈতে, ইকায়নীংঙাইনি। ●

**URGENT SALESMEN, MECHANIC & DRIVER**
**WANTER**
*** Salesmen**
1. Experience for 2-5 years.
2. Salary ₹7000 - ₹10,000/- (upgradable based on dedication of work)
*** Mechanic**
1. Requires good knowledge in Phone Software & Hardware.
*** Driver**
1. Experience in SUV
2. Salary (Negotiable)
HL-P/5017/19,20,21
**Please Contact :- 7424072875**

**ꯌꯨꯝꯐꯝ১৪/ ইবুং সুধাকরবু নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি**


সুধাকর

ঐগী য়েৎ থংবা কিদনিদা নূং লৈবদগী শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, ইম্ফাল আই টি আই মনাক্তা লৈবা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোরনা লায়েংবীবদগী হাপ্তা মরিদা ঐগী নূং অদু তাখ্রে। অলত্রা সাউন্দ লৌবদসু লৈবা উদ্রে। মসিগীদমক্তা ইবুং সুধাকরবু নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

**Sd/- Langhu Shanti**
Chandel District.
HL-P/3587/13

**TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY**
In aid of Annual Fund Drive
Org. By The Chingsubam Leikai Handloom & Handicraft Co-Operative Society Ltd. Regd. No 48/CS/A/92
Date : 19 October sATURDAY2019
DrawTime : 5p.m.
**Ticket Rate Rs. 1,500/-**
**HOUSEFULL**
**5 Lacs**
**All Line Q5&Star are Rs.5,000/-**
**VENUE : Khurai Puthiba Leikai**
**Near Lamglong Bazar thong**
**MINI BUMPER**
Ticket Rate Rs. 500/-
**Housefull**
1st 2nd 3rd
**MINI BUMPER**
Ticket Rate Rs. 150/-
**Housefull**
Sana San 2
HL-P/5018/19

## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।